## এডিটোরিয়েল

**এন দি টি ভি অমসুং প্রতিদিন টাইম বু মিনিষ্ট্রি ওফ বোডকাষ্টিংনা নোংমা থিংজিনবা হায়বসি ফ্রিদম ওফ প্রেসতা খুৎ থিংজিনবনি। ন্যুজ চেনেল অনী অসিগী সোলিদারীটি উৎপা ওইনা ঙসিগী এডিটোরিয়েল হাংনা থমজরি।**

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### হুঁ সিদবা মালেম পাউজেল

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*চীরোং চীংখুবা হানায়বা লাইনিংথৌগী য়াথংনি থাজগনদ্রবা থৱায়না থাজবীয়ু। অঙানবদা পাউহংবা অমম্বদা পাউতাকপা অমম্বদগী ফম্বাল তোংবগী লম্বী নোংদম্বগী নোংদমখোন্না ঐখোয় পূম্নমক তায়োননহনবনি খংবীয়ু, অরীবা ঊনা কেল্লগা অনৌবা য়েন্নীং মতৌ করম হুনহলগনি? মুন্না খন্ন–নৈনদুনা থম্বাল ১০৮ গী লৈয়োলনুংদা শাংহলগনি ইমুং কাইনবা শিনবা নৎতে। পু তুমদনবা য়াৱাবনি পাউখোং চন্দুনা লাক্লে, মতম্না পুরকপনি মীসু মীথিবোং –কুমসু কুমথিবোং চাক তাংগনি চাবীনবা লৈরোই। লু–লূকনা অমুক্তা খন্নমিন্নসি হৌজিক্কী খুন্নাই মমীৎ তাংবগা মরোন থোক্তবগা ৱারী শান্নবা মনা পংবনা তাবা লমদম ওইথোক্লরে। মমীৎ কোরফু মুক লাওরবসু মনা ফৌরামূক পাক্লসু তাদবা লমদম অসিরা লাইরৈবাক হায়বদু চারগা মহাও খঙদবা হিংবা পুন্সি থৱায় পিনা থৌপাংলসি অরানবদা লৈরগুমসি খাইবুং–খাইবুং পুনশিল্লসি কৈদৌবগে ননাইদগী চীংনা মীথিবোং মীতম্বান ওইরগুমসি ৱান মেন ৱান পোষ্ট মশা মশানা হাপচবা ফম নথৌনা ইথৌনা শক খঙনসি, খঙননবা মফমসু পিরে করিগী নমশিন্দুনা থল্লিবা? হোইজিল্লগা থনম্বা থৱায়শিং থোক্লবা হোৎনরো মতম ওইরে লমজিংবগী থবক লমইল্লিবা খক্তনা খংগনি অফবা পাউতাক পিরিবা মীবু ফত্তবনা লমল খুম্নবা হোৎনরগসু মাংজগদৌরিবসি কনানো? খল্লু পূম্নমক মেম্বর ওইনা পূম্নমক থনম্বনি নোংদম্বগী নোংদমখোন্দি লেংদবনি মতম খুদিংমক্তা খংগদবদি থৱাইনা মতৌ করম্না ইকাই খুম্নগনি অখঙবসু খঙদবসু মীতে লৈবাক করি ওইরি হিংবগী অর্থ লৈরিবরা? অরোইবদা হায়জরি হিংদুনা লৈবা খিবিক শিবনা অরোইবনে খংঙু হায়রিবসি কনাদা হংবা ৱাহংনো। মী হাৎপা য়াওসি হায়বা নত্তে নশা–নশাগী তোলোপ তোন্দবা থৌপাংঙসি হায়বনি তেংবানবগী ৱায়েল লাক্লবদা কনানা থিংবা ঙমগনি শান্তি কনানা থমগনি, খঙহল্লম্লবনি নখোয়না ঐ মশক খঙদে নখোয়না তৌরিবা থবক মতম খুদিংমক্তা ঐনা লেপ্পুনা লৈগনি। পুয়াগী পরিংনা ৱাচুম্লক কোন্না চক্কীনা কুমশুলকপা মতমদা থম্বাল লৈনা ১০৮ গী লৈনা অমমম ওইবীয়ু মীতে লৈবাকসি মালেম পুম্বগী খোইদৌ থম্বালনি পুংলোনগী মতুংইন্না জগোই শামিন্নরসি অয়োন অরান ঙাকপীয়ু লংজবা খিবিক কোকপীয়ু ইচৎ–ইতৌ য়েংবীগনু অকাই অতোই থিবীগনু থম্বাল লৈনাদুগী ময়োন্দুদি চীংখৎপীয়ু তিংখঙবুদি খন্দোকপীনবা নোল্লুক্লা হায়জরি।*

***অদোমগী***
***তখেল্লম্বম মনি লুৱাং***
***শওম্বুং থোংখোঙ***

# খুন্নাইদা এডভোকেটশিংগী থৌদাং–১

## সেনিয়র এদভোকেট, হায়কোর্ট ওফ মণিপুর

খুন্নাইগী থৌগায়দা লোয়না লোয়ননা মীওইবগী হকপু ঙাকপদা এদভোকেটশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি দিকোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদদি য়াম্না মরু ওইবা চংদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। সীলাগা মহারাষ্ট্রা সরকারগা অনীগী মরক্তা চথখিবা কেস (১৯৮৩) এস সি সি ৯৬ তা সুপ্রিম কোর্টনা য়াম্না মরিক চুমনা পুথোকখ্রে মদুদি – লোগী প্রোফেশন অসি য়াম্না ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইবা প্রোফেশন হায়বদি নোবল প্রোফেশন অমনি অমসুং লোয়রশিংনা মশামকপু সোসিয়েল সার্ভিসকী মশা অমনি হায়না লৌজবগা লোয়ননা খুন্নাই অসিদা অৱাবা নঙলবা মীয়াম্বু মতেং পাংবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাং অমা ওইনা লম্মন তোল্লিবনি। লোয়রশিংনা তশেংনা খঙজিনগদবা অমদি ঐখোয় ময়াম পুন্দুনা ইথৌ অমা পাঙথোক্লবা শিনবা মতমদা লেজিসলেচরশিংনা শেম্বা রুলশিং অদুবু ইচম চম্না মেকানিকেল ইন্টরপ্রিটেশন হায়বদি ৱাহন্থোক অমা পীরগা তরায় তরায়না লৈথোক্তুনা লৈগদবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং মসিদি মীয়াম পুম্নমক্কীদমক্তা ইরাও লাওনা ফাত্তোক্তুনা থল্লিবা অচৌবা লম্বী অমনি অমসুং মসিদা মীওইবনা হিংননবগীদমক ফাওদুনা চৎলিবনি। লম্বী অসিদা অৱা–অনা কয়ামরুম নংবা য়াই অদুবু অসিগুম্বা অৱা–অনাশিং অসিবু থৌনা লৈনা কখোকপা অমসুং সেবাগা লোয়ননা মতেং পাংবা হায়বসি লিগেল প্রোফেশনগী থৌদাংনি। অদুগা হৌজিক ফাওবদা আইনগী মতেং য়াওদনা অৱা–অনা নংলবশিংগী মশিং হন্থহনবা হায়বা অসিসু লোয়রশিংগী মথৌনি। ক্রাইম অমগী মরাল শীবিরবা নৎত্রগা ফাবীরবা নৎত্রগা জেলদা থম্বীরবা করি তৌগদগে হায়বা খঙজদ্রবা, নৎত্রগা কদায়দা চৎতুনা কনাদা হায়রুগদগে হায়বা খঙজদ্রবা লায়রবা, লাইরিক হৈজদ্রবা, করিসু খঙজদ্রবা চমজরবা অদুগুম্বা মীওই কাঙলূপ অদুবু থৱায় য়াওনা মতেং পাংনিংবা ৱাখলগা লোয়ননা লোয়রশিংনা মতেং পাংবীগদবনি। লোয়রশিং অদুগা অদুগুম্বা অৱাবা নংলবা মীওইশিং অদুবু কনবীনবা চোংথোক্লকপগী মহুৎতা তুহৎপীবা অমসুং মখোয়গী শিকার ওইনা লৌরবদি লিগেল প্রোফেশন অসি মীচৎ থীহনবতা নত্তনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম পূম্নমক্লা লোয়রশিংদা থাজবা মাংখিগনি অমসুং মদুনা দিমোক্রেসি অমদি রুলস ওফ লো (আইনগী নিয়মশিং থুগায়বা ওইনা থোক্কনি। ঐনা মখা তানা হায়বা পাল্লিবা মদুদি মীয়াম্না ‘বেঞ্চ অমদি বারদা’ (জজগী মফম অমসুং লো প্রোফেশন) থাজবা মাঙখ্রবদি মখোয়না মখোয়গী অৱাবা অদু কোক্লনবা ৱাখৈ অমা পুরক্লবা লম্বী লমজাওদা থোক্ল ক্কনি। মসিগুম্বা ফিভম অসিনা দিমোক্রেসিবু মরায় চায়থহনবতা নত্তনা কোর্টপুসু মতিক ময়াই চমহনগনি।

য়াম্না চাওখৎলবা খুন্নাই অমদা লো অমসুং লোয়রগী থৌদাং অসি য়াম্নমক চাওনা চংদ্রবা য়াদ্রবা অমনি। ওর্দর হায়বদি অচুম অরান থক খাগী নিয়ম য়াওদনা চাওখৎপা হায়বদি সিভিলাইজেসন অমত্তা ওইবা য়ারোই, অদুগা লো হায়বসি য়াওদনা হায়রিবা ওর্দর নিয়ম অসি লৈবা য়ারোই লোয়ননা লো অদুবু ৱাহন্থোক পীননবা লোয়র লৈত্রবদি লো হায়বা লৈরোই। মরম অদুনা খুন্নাইগী রাজনিতিগী অমসুং শেল থুমগী নিয়ম (ওর্দর), সাইন্টিফিক দিস্কোভরি পূম্নমক মীপুম খুদিংমকগী অমদি পোৎলম খুদিংমক্কী য়াওল খোঙথাং অমদি সরকারনা লৌখৎলকপা অমদি লৌখৎলিবা অসিনচিংবগী অহোংবা অওনবা অমসুং দিভলপমেন্ট পূম্নমক অসি লোয়রশিংগী মতেং, পাউতাক লমজিং অমদি ৱারেপ য়াওরিবা ঙাক্তনি। অসুম হায়না তৌদুনা সরকারগী দিপার্টমেন্ট অমদি এজেন্সি পূম্নমক কোর্পোরেসন পূম্নমক, কম্মিসনশিং, কম্পেনিশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসন পূম্নমক লোয়রশিংগী মতেং, লমজিং অমসুং ৱারেপ য়াওরিবনি। ত্রেদ অমসুং কম্মর্স য়াওনা শিনফম খুদিংমক অমসুং ওর্গনাইজেসনশিং অসিসু লোয়রশিংগী সার্ভিস দরকার ওইরিবনি মরমদি মখোয়গী মেম্বরশিং অদু লোনা ঙাক শেল্লিবনি অমসুং মখোয় পূম্নমক লোগী মখাদা লৈরিবনি।

“ … নিংখা তম্লবা ভারতকী সুপ্রিম কোর্টগী অহানবা চীফ জষ্টিস শ্রী হিরালাল জে কানিয়ানা মখাগী অসুম্না মহাক্কী ওবজার্ভেসন পীরিঃ

হৌজিক চয়েৎ চনৈনরবা পুন্সি মহিং অসিদা লো হায়বসিনা মতেং পাংবগী থবক্তা অচৌবা থৌদাং লৌই। লো হায়বসি য়াওদনা করিগুম্বা থবক থৌরম হায়বসিদা ব্যুজিনেস অমত্তা খুমাং চাওশিনবা, চাওখৎপা ঙমদে অমসুং লো য়াওদনা খুন্নাই অমত্তনা হিংদুনা লৈবা ঙমদে। তৌইগুম্বসুং মসিগী খ্বাইদগী ফবা মায়ওনদি পুকচেল শেংবা, অপনবা লৈতনা মরিক চুম্না অমসুং থৌনা লৈনা তোল্ল তারবা, অশোনবা অমসুং অচুম্বগীদমক্তা মতম পূম্নমক্তা মতেং পাংদুনা লেপ্পা (এদভোকেসি) হায়বসিনি। মরমদি লো হায়বা অসি পুন্সিগী ফম্বাক লীলা অসিদা ইহান হানবা য়াম্না মরু ওইবা (প্রাইমরি কন্সর্ন্দ) অমনি অমসুং চংদ্রবা য়াদ্রবা মীওইবা অমা ওইবগী গুণ (হ্যুমেনিতি) নি। মীওইবনা জ্ঞান মান তাদবা তমথিবা ফীভমদা লৈবদগী সিভিলাইজেসন হায়বদি চাওখৎলকপা ফাওবগী ফম্বাক খোঙজেল পুম্নমক অসি লোগী খোঙজেলনি।

এদভোকেট অমনা মরোমদোম ওইনা মখল–মখা ওর্গনাইজেসন কয়া হায়বদি বার এসোসিয়েসন, লিগেল এইদ কম্মিতিশিং, হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনশিং, নন গভর্নমেন্টল ওর্গনাইজেসনশিং লোইনা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা ভলূন্টরি ওর্গনাইজেসনশিং অসিনচিংবগী থোঙদগী খুন্নাইগী থৌদোক ৱাথোক হিরম কয়াদা মতেং পীদুনা থবক তৌবা ঙম্মী।

এদভোকেট অমনা বার এসোসিয়েসনশিং অমসুং অতৈ অতোপ্পা ওর্গনাইজেসনশিংগী থোঙদগী মতম মতমগী ওইনা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা মরুওইবা ৱাফম কয়াবু পুখৎপা ঙম্মী। মীয়ামগী য়াইফনবা ৱাখল থৌনা লৈবা লোয়র অমনা মহাক্কী হৈথোই শিংথোইবা মগুণ অদুনা পুলিস, পেরা মীলিটরি ফোর্সেস অমদি ফোর্সেস লোয়ননা কনাগুম্বা ওথোরিতি অমনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরকপা (হ্যুমন রাইটস ভাইওলেসন) মতমদা মদুবু কোর্টতা পুখৎতুনা খঙ হনবা ঙম্মী। এদভোকেট অমনা হ্যুমেন রাইটস অমদি অতোপ্পা সোসিয়েল রাইটশিংবু ঙাক্লনবগীদমক কোর্টশিংগী থোঙদা মতিক চাবা কেসশিং, হেভিজ কোর্পস রিটশিং লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা মতিক চাবা রিটশিং থাঙ্গত্তুনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌবা ঙম্বতা নত্তনা লিগেল এইদ কেম্পেইনশিং, হ্যুমেন রাইটস এৱ্যের্নেস কেম্পেইনশিং, সেমিনারশিং, ৱার্কশোপশিং অমদি মখল মখা কন্সলটেসন প্রোগ্রামশিংদসু শরুক য়াদুনা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্মী।

**(মখা মথং য়ুমশকৈশদা)**

# দি প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩

## মোইরাংথেম রাজেন্দ্র

**৩৫। ষ্টেট কম্মিশনগী চাগা–চাদিংগী মরম অমদি চাগা–চাদিং য়েংশিনবাঃ**

(১)ষ্টেট কম্মিশনগী চাগা–চাদিংগী মরম অমদি অতৈ মরীলৈনবা নীংশিংনবা চে–চাংশিং নীংথিজনা শুগনী অদুগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগা তানদুনা অসুম্না তৌগদবনী হায়দুনা লেপথোক্লবা অদুগুম্বা ফোর্ম অদুদা চাগা চাদিংগী চহীগী চেরোল অমা শেমগনী।

(২) ষ্টেট কম্মিশন অদুগী চাগা চাদিংগী মরমদু কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেলনা মানা লেপ্পা মতম অসুক অসুক কান্ননা য়েংশিনগনী হায়বা মতমশিংদা য়েংশিনগনী অদুগা অসিগুম্বা য়েংশিনবা অদুগী মরীদা তিংখিবা চাদিংদু ষ্টেট কম্মিশন্না কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল পীগদবনী।

(৩) কম্পট্রোল্লর এন্দ ওজিটর জেনরেল অমদি মানা এক্ট অসিগী মখাদা ষ্টেট কম্মিশনগী চাগা–চাদিংগী মরম য়েংশিন্নবগী মরীদা হাপখিবা কনাগুম্বা মীশক অমনা গভর্নমেন্টকী চাগা–চাদিংগী মরম য়েংশিনবগী মরীদা মহৌশাগী ওইনা লৈবা কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেলগী হকশিং অমদি খুদোংচাবশিং অমদি পাঙ্গল অদুগা চপ মান্নবা হকশিং অমদি খুদোংচাবশিং অমদি পাঙ্গলশিং অদুমমক মান্ননা লৈগনী অদুগা অখন্ননা খাতাশিং, চাগা–চাদিংগী মরমশিং, মরী লৈনবা পীথোকখিবা শেলশিংদু অচুম্বনি উৎনবা অইবা চেশিং অমদি অতৈ নীংশিংনবা ইশিন্দুনা থম্বা চে–চাংশিং অমদি চেশিং পুথোক্লবা তানবা অদুগা ষ্টেট কম্মিশনগী ওফিসশিং চঙদুনা য়েংশিন খোৎচিনবগী পাঙ্গল লৈগনি।

(৪) কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল নৎত্রগা মসিগী মরমদা হান্না অতৈ অতোপ্পা মীশক্লা চুম্মী হায়রবা চাগা–চাদিংগী মরমদু, মদুদা পীবা য়েংশিনবগী ৱারোলদুগা লোয়ননা ষ্টেট কম্মিশন্না চহী খুদিংগী ওইনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা থাগনি অদুগা মদু ফংলবা মতুংদা হেক য়ারিমখৈ থুনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ষ্টেট লেজিসলেচরগী মমাঙদা থমগনি।

**৮ শুবা তাক্কক**
**মখল মথেল**

৩৬। কম্মিশনগী পাঙ্গল শীজিন্নবা হক্কী ঙমখৈগী মখাপোন্দবা ৱাফমশিংঃ

(১) ষ্টেট কম্মিশন্না নৎত্রগা হৌজিক চৎনরিবা আইন অমগী মখাদা চুম্না লিংখ্রবা অতৈ অতোপ্পা কম্মিশনগী মমাঙদা পন্দুনা লৈরিবা করিগুম্বা ৱাফম অমদা কম্মিশন্না থিজিন হুমজিনবা তৌরোই।

(২) মীওইবগী হকশিং থুগাইবা চিংই হায়বা থবক অমা তৌখ্রে হায়বগী তারিখ অদুদগী চহী অমা হৌখ্রবা মতুংদা কম্মিশন্না নৎত্রগা ষ্টেট কম্মিশন্না করিগুম্বা ৱাফম অমত্তদা থিজিন হুমজিন তৌরোই।

**৩৭। মরম কুপ্না থিজিন্নবা অখন্নবা কাঙবুশিং শেম্বাঃ**

চৎনরিবা অতৈ অতোপ্পা আইনদা অমা অমা য়াউজরবসু গভর্নমেন্টনা অসুম তৌবা তঙাইফদ্রে হায়না খল্লবদি, মীওইবগী হকশিং থুগায়বদগী থোক্লকপা মরালশিংগী মরম কুপ্না থিজিনবা অমদি কেশ তৌনবগী মরমশিংগীদমক অসুক য়াম্না চঙগনি হায়না খনবা অদুগুম্বা পুলিশ ওফিসারশিংনা শাবা মরম কুপ্না থিজিন্নবা অখন্নবা কাঙলুপ অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবা কাঙলুপ লিংখৎপা য়াই।

**৩৮। পুক্নিঙদা চম্না ইফ ফনা খল্লগা তৌখিবা থবক কনবাঃ**

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট, ষ্টেট গভর্নমেন্ট, কম্মিশন, ষ্টেট কম্মিশন, নৎত্রগা মখোয়দুগী কনাগুম্বা মেম্বর নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট, ষ্টেট গভর্নমেন্ট, কম্মিশন নৎত্রগা ষ্টেট কম্মিশনগী মনুংদা অমগী পাউতাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা মীশক অমত্তগী মায়োক্তা, এক্ট অসিগী নৎত্রগা মসিগী মখানা শেম্বা রুলশিং নৎত্রগা থোকপা য়াথংশিং পাঙথাক্লবা পুক্নিঙদা চম্না ইফ ফনা খল্লগা তৌখিবা নৎত্রগা তৌখিবনী নীংনবা করিগুম্বা থবক অমগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট, ষ্টেট গভর্নমেন্ট, কম্মিশন নৎত্রগা ষ্টেট কম্মিশন্না নৎত্রগা মখোয়না শিন্নদুনা ৱাফোঙ ফোঙদোকপা নৎত্রগা করিগুম্বা পাউদম, চে নৎত্রগা তাখিবা ৱারেপশিংগীদমক্তা, কেশ নৎত্রগা আইনগী ওইবা অমত্তা লৌখৎলোইদবনী।

৩৯। মেম্বরশিংগা ওফিসারশিংগবু মীয়ামগী থবক তৌবশিংনী হায়না লৌগদবাঃ

কম্মিশন, ষ্টেট কম্মিশনগী মেম্বর খুদিংমক্তা এক্ট অসিগী মখাদা থবক তৌনবগীদমক কম্মিশন নৎত্রগা ষ্টেট কম্মিশন্না হাপ্পা নৎত্রগা শীন্নরবা ওফিসার খুদিঙমক্কবু ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ২১ গী ৱাহন্থোক মনুং চন্না মীয়ামগী থবক তৌবশিংনী হায়না লৌগনি।

৪০। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী রুল শেম্বগী পাঙ্গলঃ

(১) এক্ট অসিগী ৱারোলশিং অসি পাঙথোক্লবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা নেটিফিকেশন থোক্তুনা রুলশিং শেম্বা য়াই।

(২) অখন্ননা অমদি মমাঙদা য়াউখিবা পাঙ্গলগী ময়ামগী ওইনা চানবা য়াবা মতৌদা অকায়বা থোকহনবা তৌদনা অদুগুম্বা রুলশিং অদুনা মখাগী ৱাফমশিং অসি পূম্নমক্কী নৎত্রগা অমগী ওইনা ৱারোল পীবা য়াই, হায়বদি–

(এ) সেক্সন ৮ গী মখাদা মেম্বরশিংগী তলবশিং অমদি শেলহাপশিং অমদি থবক তৌবগী ফীভমশিং,

(বি) মদুগী মখা পোন্না কম্মিশন্না হাপ্পা য়াবা অশীন–অরাঙগী, খুৎজু খুৎলায় শীজিন্নগদবা শিনফমগা মরী লৈনবগী অমদি সাইন্সকী ওইবা থবক্কী ওইবা তেংবাংনবা মী হাপ্পগী ফীভমশিং অমদি সেক্সন ১১ গী সব–সেক্সন (৩) গী মখাদা ওফিসারশিং অমদি অতৈ তেংপাংনবা মীওইশিংগী তলবশিং অমদি শেলহাপশিং,

(সি) সেক্সন ১৩ গী সব–সেক্সন (১) গী ক্লোজ (এফ) কী মখাদা পীগদবা অতৈ অতোপ্পা সিভিল কোর্ট অমগী পাঙ্গল,

(দি) সেক্সন ৩৮ গী সব–সেক্সন (১) গী মখাদা কম্মিশন্না চহীগী চাগা–চাদিঙগী মরমগী ৱারোলশিংদু শেমগদবা ফোর্ম, অমদি

(ই) তৌগদবা অমদি তৌবা য়াবা অতৈ অতোপ্পা ৱাফম।

(৩) এক্ট অসিগী মখাদা শেম্বা রুল খুদিঙমক মদু হেক শেম্বগা য়ারিবমখৈ থুনা সেসন ফম্লিঙৈ মনুংদা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস খুদিংমক্কী মমাঙদা সেসন অমখক্তংদা ওইরবসু থংনা থংননা সেসন অনীদবু ওইরবসু মদুদগী হেনবদবু ওইরবসু নুমিৎ কুল্হানী মপুঙ ফানা থমগদবনী অদুগা করিগুম্বা তুংদা লাক্কদৌরিবা সেসনশিংদুগী হেক মমাঙদা ফম্বা সেসন্দু লোইদ্রিঙৈদা রুলদা শেমদোকপা য়ানরবা নৎত্রগা চৎনগনী নৎত্রগা চৎনরোই অদুম্নদি ওইরবদা চৎনহন্দবা অদুনা মমাঙদা অদুগুম্বা রুলদুগী মখাদা তৌখিবশিং অদুদদি অকায়বা থোকহনল্লোইদবা মওঙদা তৌগদবনী।

**৪১। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী রুল শেম্বগী পাঙ্গলঃ**

(১) এক্ট অসিগী ৱারোলশিং অসি পাঙথোক্লবগীদমক ষ্টেট গভর্নমেন্টনা নোটিফিকেশন থোক্তুনা রুলশিং শেম্বা য়াই।

(২) অখন্ননা অমদি মমাঙদা য়াউখিবা পাঙ্গলগী ময়ামগী ওইনা চানবা য়াবা মতৌদা অকায়বা থোকহনবা তৌদনা অদুগুম্বা রুলশিং অদুনা মখাগী ৱাফমশিং অসি পূম্নমক্কী নৎত্রগা অমগী ওইনা ৱারোল পীবা য়াই, হায়বদি–

(এ) সেক্সন ২৬ গী মখাদা মেম্বরশিংগী তলবশিং অমদি শেলহাপশিং অমদি থবক তৌবগী ফীভমশিং,

(বি) মদুগী মখা পোন্না কম্মিশন্না হাপ্পা য়াবা অশীন অরাঙগী, খুৎজু খুৎলায় শীজিন্নগদবা শিনফমগা মরী লৈনবগী অমদি সাইন্সকী ওইবা থবক্কী ওইবা তেংবাংনবা মী হাপ্পগী ফীভমশিং অমদি সেক্সন ২৭ কী সব–সেক্সন (৩) গী মখাদা ওফিসারশিং অমদি অতৈ তেংবাংনবা মীওইশিংগী তলবশিং অমদি শেলহাপশিং,

(সি) সেক্সন ৩৫ গী সব–সেক্সন (১) গী মখাদা চহীগী চাগা চাদিং গী মরমগী ৱারোলশিংদু শেমগদবা ফোর্ম।

(৩) সেক্সন অসিগী মখাদা শেম্বা রুল খুদিংমক মদু হেক শেম্বগা য়ারিবমখৈ থুনা, হাউস অনী লৈরগনা, ষ্টেট লেজিস্লেচরগী হাউস খুদিংমক্কী মমাঙদা নৎত্রগা অদুগুম্বা লেজিস্লেচর অদুনা হাউস অমত্তমক লৈবা ওইরগনা, হাউসতুগী মমাঙদা থমগনী।

৪২। অরুবা ফীভমশিং লৌথোকপগী পাঙ্গলঃ

(১) এক্ট অসিগী ৱারোলশিং অসি চৎনহনবদা অরুবা ফীভমশিং থোক্লগদি, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট ওফিসিয়েল গেজেত্তা য়াথং ফোঙদোক্তুনা অরুবা ফীভমদু লৌথোকপদা চঙগনি নৎত্রগা তৌফম থোকপনী খনবা এক্ট অসিগী ৱারোলশিংগা চানদবা নত্তবা ৱারোলশিং পীগনি।

অদুবু এক্ট অসি চৎনবা হৌখ্রবা মতুং চহী অনী হৌখ্রবদি অসিগুম্বা য়াথং অসি থোক্লোই।

(২) সেক্সন অসিগী মখাদা শেম্বা রুল খুদিঙমক মদু হেক শেম্বগা য়ারিমখৈ থুনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস খুদিংমক্কী মমাঙদা থমগনী

**৪৩। ককপা অমদি খাকহৌবশিংঃ**

(১) দি প্রোটেক্সন হ্যুমেন রাইটস ওর্দিনান্স, ১৯৯৩ সি মসিনা কক্লে।

(২) অসিগুম্বা ককপসি লৈজদুনসু হায়খিবা ওর্দিনান্স অদুগী মখাদা করিগুম্বা অমা তৌখিবা নৎত্রগা করিগুম্বা থবক অমা লৌখৎখিবা অদু এক্ট অসিগী চান চানবা ৱারোলশিংগী মখাদা তৌখিবনী নৎত্রগা লৌখৎখিবনী হায়না লৌগনি।

**মখা মথং য়ুমশকৈশদা…**